HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ




লম্ফেল পাৎকী সী এস আই আর-এন ঈ ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরিগী হার্বেল গার্দেনদা বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর ডা. এ এ মাওনা হীদাক কান্নবা পাম্বীশিং থাখিবা

ত্রকশিংদগী শেল লৌরবদি লিগেল এক্সন লৌরগনি : এম দি এ
☛ লামায় ৩

পাকিস্তানগা মূক্নরিঙৈ, মনীং হল্লবা ইন্দিয়া
☛ লামায় ৫

ৱর্ল্ড থ্রিফ্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৬

জর্নেলিষ্টশিং খ্বাইদগী হেন্না হাৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা পাকসু অমা ওইরি
☛ লামায় ৮

টি আর আই, ইম্ফালদা 'ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরস ওফ মণিপুর'গী থিমদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ৭নিগী ৱার্কশোপ অমসুং পেন্টিং কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবশিংবু মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটৈনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 216 | নোংমাইজিং, মেরাগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, October 31, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৭৬°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৬২
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৫

**HL Poll**

Q: Lambigi khudongthiba thoudoksing toina thoklibasi leingakki maikeidagi traffic regulationda ahoba leibadagi oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurgi Governor La Ganesanna chinggi district singda chattuna meeyamga unnarakpagi thouram afaba khongthang oiroidra?

Yes 75% No 25%

**অস! লোইরেহে!**

- মীখল মতমসিদা ঐগী কেন্দ্রগী সারশিংনা লেঙবীরকপবু করিগীনো?



- সার, পোৎ তাঙবনা লৈবা ঙম্নদ্রে।

*জেনিমসতা এম বি বি এসকী সিট মশীং হেনগৎহন্দবগী ৱাথোক*

# হেল্থ মিনিষ্ট্রি, নেসনল মেদিকেল কম্মিসন ১সুং মণিপুরগী ওফিসলশিংগী মথক্তা কন্টেম্প্ট কেস ফাইল তৌরক্লে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস) : হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইবা অমত্তা ঙাইরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা লৈরিবা অপূনবা এম বি বি এস কোর্স তম্নবগী সিট ১০০ খক্কী মনুংদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা সিট ১৫ অমুকসু খাইদোকখ্রগা শুপ্পতগী সিট ৮৫ খক্তমক লৈবনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিগী কোর্স অসিবু তম্নিংলিবা এসপিরেন্টশিংনা কোর্স অসিবু তম্বা ফংদবদা নত্তনা মখোয়গী পেরেন্টস/গার্দিয়ানশিংবুসু নীংবা কায়হল্লে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমগী জজমেন্টঅমসুং ওর্দরদা হায় কোর্টনা মরী লৈনবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**কন্টেম্প্ট কেস মায়োক্নরবা ওফিসলশিং**

- মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি
- মণিপুরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ঐচ এন্দ এফ দব্লিয়ু)
- হেল্থ দিরেক্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র)
- হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি
- নেসনল মেদিকেল কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন

# মরাম খুল্লেনদা গো টু হিলসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস) : অদুঙৈগী নিংথৌ পাইখোম্বা অমসুং মরাম চীফকী মচানুপী ইঙৌল্লেগী মরক্তা লৈনখিবা পুৱারী ওইহৌরবা নুংশি লিপুনগা হকথেংনরিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা মরাম খুল্লেনদা ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা গো টু হিলস ২.০গী মনুং চন্না অহানবা ওইনা চৎখিবদা মফম অদুগী মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা কান্নবশিং য়েন্থোরক্লিবা অসিগী মথক্তা মরাম এরিয়া অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা অনৌবা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

খুঞ্জাশিংনা চোন্না তিনখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মরামদা এস দি ও ওফিস অমা অমসুং মরাম পুলিস ষ্টেসন হাংদোক্লগনি হায়দুনা লাউথোকখি অমসুং পি ঐচ সী মরামবু সী ঐচ সীদা অপগ্রেদেসন তৌবগা লোয়ননা মরাম খুল্লেন পি ঐচ এস সীবুনা পি ঐচ সীগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.

*আর কে ইমোগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন*

# হায় কোর্টনা পোষ্টেল বেলোটশিং য়েংহন্নবগী ওর্দর থবক্তা ওন্থোক্কদবা আর ওগী মথৌনি হায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : মার্চ ৪, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১১-শগোলবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলগী রিজল্টতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা এম এল এ আর কে ইমোগী মথক্তা ইলেক্সন অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৫ ওফ ২০১৭কা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০দা ফাইল তৌরক্নুনা মীখল অদুগী কাউন্টিংদা শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিং য়াওনা মদুগী কাউন্টর ফোইলশিং অমদি শীজিন্নহৌদবা পোষ্টেল বেলোটশিং ইন্সপেক্সন তৌজগে হায়রকখিবদা হায় কোর্টনা অকক্লবা মতমগী মনুংদা য়েংহন্নবা অয়াবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মীখল অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও)/ রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) না য়েংহন্দ্রে হায়বা ৱাফম অমুক হন্না কোর্ট য়ৌরকপদগী হায় কোর্টনা পোষ্টেল বেলোটশিং অদুগী মতাংদা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দর অদু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি দি ঈ ও/আর ওগী মথৌনি হায়দুনা অমুক হন্না খঙহনখিবগা লোয়ননা পিটিস্নর ওইরিবা ডা. লোকেনগী মায়কৈদগীসু মরী লৈনরিবা দি ঈ ও/আর ওদা অরোইবা রিমাইন্দর পীখিবগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**ডা. লোকেননা রিটর্নিং ওফিসরদা অরোইবা রিমাইন্দর পীখ্রে, হায় কোর্টকী ওর্দর ইন্দ্রবদি কন্টেম্প্ট প্রোসিদিং লৌখৎলগনি খঙহনখ্রে**







HL-B/7260/31

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫